CS(M) EXAM 2012

S] **G–DTN–M–NMQB**

# MANIPURI

## Paper—II

## ( Literature )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 300 |
|---|---|

## INSTRUCTIONS

**Candidates should attempt Question Nos. 1 and 5 which are compulsory, and any THREE of the remaining questions, selecting at least ONE question from each Section.**

**The number of marks carried by each question is indicated at the end of the question.**

**Answers must be written in Manipuri.**

**Important Note**

**Whenever a question is being attempted, all its parts/sub-parts must be attempted contiguously. This means that before moving on to the next question to be attempted, candidates must finish attempting all parts/sub-parts of the previous question attempted. This is to be strictly followed.**

**Pages left blank in the answer-book are to be clearly struck out in ink. Any answers that follow pages left blank may not be given credit.**

## Section—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা পাউখুম ইয়ু : 12×5=60

(*a*) পীতঙঙাদা রাজনীতিগী কাংলোন খঙবগী মথি তাব্রা? মরী লৈনবা মতাংশিং নৈনদুনা ইয়ু।

(*b*) 'পাম্বোইবী খোঙ্গুল'দা য়াওরিবা মরুওইবা লমদমসিগী সমাজ অমদি সংস্কৃতিগী মশকশিং অদু করি করিনো? হৌজিক ফাওবদা চৎনরিব্রা হায়বদু নৈনৌ।

(*c*) 'সমশোক ঙম্বা' করম্বা মখলগী সাহিত্যগী মচলনো? লাইরিক অসিদা য়াওরিবা মৈদিংঙু পামহৈবগী থৌনা অমদি মিনুংশি চাউবগী মশকশিংদু নৈনৌ।

(*d*) জিলা দরবার কৌরকপদা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজদা করি ফাওখিবগে? লৈঙাকপা অমা ওইনা করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবগে? খোঙচৎ অসিদা থেংনবা মরুওইবা থৌদোক অনীগী মরমদা ইয়ু।

(*e*) 'নুমিৎ কাপ্পা' হায়বসি করম্বা থৌরমদা লাইরোল ঈশৈ ওইনা শরুবগে? খ্বাই নোংচেংবা পিবাদা হোৎনবা কনবগী মশক কদায়ফাওবা উবা ফংবগে?

মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *250* দগী হেন্দনা পাউখুম পীয়ু :

**2.** (*a*) মহারাজ গরিবনিৱাজকী লাল্লোং শিনবা হৈবা অমসুং থৌনা ফবগী মরমদা শন্দোক্লা ইয়ু। 10+10=20

(*b*) 'ধনঞ্জয় লাইবু নীংবা'দা নিংথৌনা ধনঞ্জয়বু চিংনরিবা করিগীনো? ৱারীসিদা খুদোংথীবা ফনা থেংনদুনসু মহাকপু মাঙহনবা ঙমদ্রিবসি করিদগীনি হায়না অইবনা উৎপগে শুগায়না ইয়ু। 5+15=20

(c) মণিপুরী লোনগী 'রামায়ণ আদি কাণ্ড' কনানা ইরম্বনো? বাল্মীকি অমদি কৃত্তিবাস 'রামায়ণ'দগী খেন্ননা লমদমসিগী ওইবা মশক করি করি হাপ্লগে? মরীক চুম্না ইয়ু। 5+15=20

3. (a) 'নুমিৎ কাপ্পা'দা নিংথৌনা প্রজাবু করম্না লোয়নখিবগে? লৈঙাক্লোন্দা অচুম্বা নীতি লৈরকত্রবদি মীয়ামগী ঈহৌ লাকই হায়বসি লাইরিক অসিদা যুম্ফম ওইরগা নৈনৌ। 10+10=20

(b) 'থৱান থাবা হিরান'দা চকপা শম্ফবীনা ফংলিবা চৈরাকসি করিদগীনো? কংলৈ অমদি খুমনগী মরীদা চৈরাক অসিনা করি থোকহনখিবগে ইয়ু। 8+12=20

(c) ময়ায় ওইবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী মশক্তা অহোংবা লাক্লিবশিং অদু 'ধনঞ্জয় লাইবু নীংবা' হায়বা লাইরিক অসিদা নৈনদুনা উৎলু। 20

4. (a) পাম্বোইবীগী লমচত্তা য়াওরিবা মী অমসুং লাইগী ওইবা মওং-মতৌশিং অদু 'পাম্বোইবী খোঙ্গুল'দগী লৌখত্তুনা নৈনৌ। 20

(b) 'নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা'দা মৈদিংঙু উরা কোম্বৌবনা শেল্লোয় লংমাইশিংগী মথক্তা করি মরমদগী লান্দাখিবনো? থৌদোক অসিনা পীতঙঙাগী মরাইবক্তা করি অওনবা পুরকখিবগে? 5+15=20

(c) 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা' হায়বা লাইরিক অসিনা লমকোয় ৱারীগী মহাও পীবা ঙম্বা? নৈনদুনা তাকউ। 20

## Section—B

**5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা পাউখুম ইয়ু :

12×5=60

*(a)* 'নির্জ্জনতা' শৈরেংদা কবিনা সমাজগী ইতিহাস মপূং ফাদে হায়রিবা করিগীনো? খণ্ডবীদ্রবা পুন্সিশিংগীদমক কবিনা তেংথারিবনা করিগীদমক্তনো?

*(b)* 'জডজ সাহেবকী ইমুং'গী দামুদর চাওখৎপগী মমিদা ঙাওজবা শক্তম (কেরেক্তর)নি হায়বসি নৈনৌ।

*(c)* 'ঐগী থাহৌদ্রবা হৈতুপ লালু'দা অইবীনা উৎপা পাল্লিবা সমস্যা করিনো নৈনদুনা ইয়ু।

*(d)* 'জহেরা'দা কুঞ্জোগী শক্তম (কেরেক্তর) অসি হনবা নাইদ্রবা, ইচং থৌবা নুংশিবগী লাম্নী অমনি হায়বসি নৈনৌ।

*(e)* চাউবনা সমালোচক অমগী মীৎয়েংদগী 'খম্বা থোইবীগী ৱারী অমসুং মহাকাব্য'দা খম্বা থোইবী ৱারীবু করম্না মহাকাব্যনি হায়রম্বগে? নৈনৌ।

মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *250* দগী হেন্দনা পাউখুম ইয়ু :

**6.** *(a)* অরাম্বম সমরেন্দ্রগী 'জডজ সাহেবকী ইমুং'গী মূক্লবা (কনফ্লিক্ত) করিনো? অইবনা পুখৎলিবা মীৎয়েংনা করিনো? শুগায়না ইয়ু।

10+10=20

*(b)* মীনাই ফুঙ্গা লীংবা হায়বসি করিনো? 'লমন'দা চৎনবী অসিনা পীরকপা চৈথেং করম্না উৎপগে? নৈনৌ।

5+15=20

(c) 'মুৎথরক্লবা শাগৈগী মহাক মৌনি' হায়রিবসি কনাবু, করম্না ফীভমদা হায়রিবনো? এম. কে. বিনোদিনীগী পাউদমদা থৱায় হাপ্পা ঙম্বগী (পরসনিফিকেসন) হৈশিংবদু 'থোইবীদু ৱারৌহৌইদা' হায়বা ৱারেংসিদা পুথোক্তুনা নৈনৌ। 10+10=20

7. (a) আর. কে. এলাংবমগী 'করিনুংগী' ৱারীমচাদা করম্না ফীভমদগী থম্বালগী পূক্লীংদা ৱাখলগী ঈথক-ঈপোম হৌরক্লিবনো? মিংথোল অসিগা চানত্রা নৈনৌ। 10+10=20

(b) পাচানা 'ঈস্ফাল অমসুং মাগী ঈশীঙ-নুঙশীৎকী ফীভম'দা করম্না পাম্নে শীজিন্নদুনা অতেনবা মতমগী মনুংদা থানিলদা মণিপুরী সমাজগী হোংলক্লিবা মশকশিং উৎপগে? 20

(c) 'মেত্রিক পাশ'তা তোংত্রানা সমাজদা চৎনরিবা মীগী মমল লেপ্পগী মওংদা করম্না অহোবা শরুক পুথোরকপগে ইয়ু। 20

8. (a) 'লৈলাংবা' হায়বসি করিনো? 'খম্বা থোইবী শৈরেং'গী 'লৈলাংবা' হায়বা মতাংদুগী থৌদোকশিংদু নৈনদুনা খম্বা অমসুং নোংবানগী লমচৎ চাংদম্নৌ। 20

(b) 'ফজবা' হায়বসি 'ফজবা পোত্তা মতৌ খরতা ওইনা অদুগা মীওইবগী ৱাখলদনা মপূং ওইনা লৈ' হায়বা মণিসনা শর্ম্মাগী মীৎয়েং অসি নৈনৌ। 20

(c) 'ইঙাগী নোং'দা লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা করেম্নরিবা মণিপুরী সমাজগী মশকশিং পুথোক্তুনা নৈনৌ। 20

★ ★ ★